# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, MAY 29, 2017 PAGE 7






*চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নম্বর ৱান সিদেদ ওইনা শরুক য়াখিবদা অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরবী জর্মনিগী শান্নরোই এঞ্জেলিক কর্বর*

*প্রোফেসনেল বোক্সিংদা নৌনা খোঙদারুবা মতুং এমেচর বোক্সিংদা অমুক শান্নবা য়াওরগে হায়না বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা ঙাকপীয়ু হায়বগী চেরোল পীখ্রবী বোক্সর পিঙ্কি জংগ্রা*

## সাউথ কোরিয়ানা চাইনাবু মেটচ ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা সুদিরমান কপ মিক্স টিম বেদমিন্টনগী টাইটল লৌখ্রে



*সুদিরাম কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোইশিং*

*গোল্ড কোস্ট, মে ২৮ঃ*

ওস্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মফম অদুগী গোল্ড কোস্ট সিটিদা লৈবা করারা স্পোর্ট এন্দ লেজর সেন্টরদা চৎথরিবা মালেমগী বেদমিন্টন শান্নবা লৈবাকশিংগী মিক্স টিম ইভেন্টকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা সুদিরমান কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সাউথ কোরিয়ানা চাইনাবু মেটচ ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা নুপাগী দবলসকী ওইখি। মদুদা চাইনাগী জুরা ফু হাইফেং অমদি ঝাং নাননা সাউথ কোরিয়াগী জুরা চোল শোই গিয়ুবু য়াম্না কোম্না স্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৪, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরকপদা সাউথ কোরিয়াগী সুন য়ি হ্যুননা চাইনাগী হি বিংজিয়াওবু স্ট্রেট গেম অনী ২১–১২, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীদুনা টিম অনীমক মেটচ ১–১ দা লৈনখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা নুপাগী সিঙ্গলসকী মেটচ শান্নরকপদা চাইনাগী চেন লোংনা সাউথ কোরিয়াগী জিওন হিয়োক জিনবু য়াম্না কোম্না স্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১০, ২১–১০ দা মায়থিবা পীদুনা চাইনানা মেটচ ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী মরিশুবা মেটচ ওইনা নুপীগী দবলসকী লম্বা তৌনখিবদা সাউথ কোরিয়াগী জুরা চাঙ য়ে না অমদি লি সো হিনা চাইনাগী জুরা চেন কিংচেন অমদি জিয়া য়িফানবু ২১–১৯, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরগা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা মেটচ ২–২ দা লৈনখ্রবা মতুং মঙাশুবা অমদি অরোইবা মেটচকীদমক শেম শান্নখি।

অরোইবা অমদি মঙাশুবা মেটচ অদু মিক্স দবলসকী ওইখি। মদুদা সাউথ কোরিয়াগী চোই সোল গিয়ু অমদি চৈ য়ু জুংনা চাইনাগী লু কাই অমদি হুৱান য়াকিওংবু স্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৭, ২১–১৩ দা থোইদুনা চাইনাবু মেটচ ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা সুদিরাম কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

## ফেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লামগী অহৌবা নুমিৎতা নুপীগী নম্বর ৱান জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে

*পেরিস, মে ২৮ঃ*

চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা নুপীগী অহানবা রাউন্দ শান্নবদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর রুশিয়াগী সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবী ইকাটেরিনা মকারোভাগী মখুত্তা মায়থিহৌরে।



*এঞ্জেলিক কর্বরবু মায়থিবা পীখিবী রুশিয়াগী ইকাটেরিনা মকারোভা*

এঞ্জেলিক কর্বরনা ইকাটেরিনা মকারোভাগা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা য়াম্না কন্না লম্বা তৌনরবসু রুশিয়াগী শান্নরোই অদুনা কর্বরগী সার্ভিস গেম অনী অনী অহানবা অমসুং অনীশুবা সেটতা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা পুং ১ গা মিনট ২২ চঙনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ২–৬, ২–৬ তা মায়থিহৌখি।

নুপীগী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রুশিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৮ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী স্বেটলানা কুজনেটসোভানা য়ুএসএগী খৃষ্টিনা মেকহেলবু ৭–৫, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী পেট্রা কিটোভানা য়ুএসএগী জুলিয়া বোসেরুপপু স্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা ৬ শুবা সিদেদ ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ওস্ট্রেলিয়াগী বর্নাদ টোমিকপু ৬–৪, ৬–০, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

অতোপ্পা নুপাগী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১১ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা ফ্রান্সকী স্টেফেন রোবর্টপু ৬–২, ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীখি।

নুপাগী অতোপ্পা সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা আর্জেন্টিনাগী হোরাসিয়ো জেবালোসনা ফ্রান্সকী এড্রিয়ান মনারিনোবু ৭–৫, ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপাগী ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলসকী অতোপ্পা মেটচ অমদা স্পেনগী গুইলরমো গার্সিয়া লোপেজনা লুজেমবর্গকী টুর্নামেন্ট অসিদা ২৬ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা গাইলস মুল্লরবু ৭–৬(৭–৪), ৬–৭(২–৭), ৬–২, ৬–২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

আর্জেন্টিনাগী টুর্নামেন্ট অসিদা ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা মার্কো ত্রুনগেলিটিনা ফ্রান্সকী ৱাইল্ড কার্দ শান্নরোই ক্বেন্টিন হেলিসপু সেট ৫ চঙনা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং ৩–৬, ৬–৭(৪–৭), ৭–৬(৭–২), ৬–৪, ৬–৪ দা থোইদুনা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিসকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

## ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সর লাইশ্রম সরিতা অমসুং পিঙ্কি জংগ্রা প্রো বোক্সিংদগী এমেচরদা অমুক লাকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ২৮ঃ*

থা ৬ কী মমাঙদা প্রোফেসনেল বোক্সিংগী লমদা খোঙদারুরবা মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী মণিপুরগী এল সরিতা অমসুং কম্মনৱেল্থ গেমসকী ব্রোঞ্জ মেডল ফংখিবী পিঙ্কি জংগ্রানা ইন্দিয়াগী বোক্সিং ফেদরেসনদা ঙাকপীয়ু হায়বগী চেরোল পীরদুনা এমেচর বোক্সিংদা অমুক হন্না খোঙদারকখ্রে।



ইন্দিয়ান বোক্সিং কাউন্সিলগা সাইন তৌনদুনা প্রোফেসনেল বোক্সিংগী লমদা খোঙদারদুনা মখোয়–মখোয়গী অহানবা বাউটশিং মায় পাক্কুনা অনৌবা বোক্সিং কেরিয়রগী লম্বেল চঙশিল্লুরবী সরিতা অমসুং পিঙ্কিনা নৌহৌননা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা ঙাকপীয়ু হায়বগী চেরোল থাখিবগা লোয়ননা এমেচর বোক্সিংদা শরুক য়ারগনি।

মখোয় অনীমক নেসনেল বোক্সিং কেম্পতা শরুক য়াগদৌরি। পিঙ্কিনা হয়েংদগী কেম্প অদুদা শরুক য়াগদৌরি হায়রি। অমরোমদা সরিতা দেবীনা মহাক্কী মশাগী ওইবা অচিনবা খরা লোইশিল্লবা মতুং কেম্পতা অথুবা মতমদা শরুক য়াগনি হায়রি।

চহী অসিগী জনুৱারী ২৯ দা মশাগী চহী ৩১ শুরবী সরিতানা প্রোফেসনেল বোক্সিং বাউটকী অহানবা বাউট মায় পাকখ্রবা মতুং থা মরিরোম অসিদা কম্পিটিসন য়াওবা ফংদনা লাকখিবনি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা বোক্সর অনীমকপু নেসনেল বোক্সিং কেম্পতা শরুক য়াবগী অয়াবা অদু পীখ্রে।

## চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোলগী নোক আওট ষ্টেজগী টিমশিং মশক খঙবা লোয়খ্রে

*দিজিও, মে ২৮ঃ*

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ই অমসুং এফকী অরোইবা মেটচশিং লোয়রকপগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী টিম ১৬ কী মশক খঙবা লোয়খ্রে।

ঙসি দিজিওদা লৈবা ৱার্ল্ড কপ ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ (ই) গী অরোইবা লীগ মেটচতা ফ্রান্সনা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা ফ্রান্স গ্রুপ অসিদগী মেটচ অমত্তা মায়থিবা নংদনা পোইন্ট ৯ ফংলগা প্রি–ক্বার্টর য়ৌখিবনি।

টিম অদুনা ঙসি মায়থিবা পীরম্বা ন্যু জিলেন্দগী টিম মমাঙদা মেটচ অমা থোইরগা অমা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট ৪ ফংখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা টিম অনী হোন্দুরস অমসুং ভিয়েটনামদগী হেন্দুনা অনীশুবা পোজিসন তাখিবদগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল নোক আওট ষ্টেজ অদু য়ৌবা ঙমখি।

জিওজু সিটিদা শান্নখিবা গ্রুপ এফকী লীগ মেটচ অনীমক দ্রো চত্তুনা শরুক য়াখিবা টিম ৪ গী মনুংদা অহুম নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

জিওজুগী ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ (এফ) কী অহানবা মেটচ ওইনা অফ্রিকাগী সেনেগালগা সাউথ অমেরিকাগী ইক্বেদোরগা শান্নবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট অমমম য়েন্নদুনা সেনেগাল মেটচ ৩ দা পোইন্ট ৪ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈদুনা নোক আওট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

দিজিও সিটিদা গ্রুপ অসিগী শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুএসএগা সাউদি অরাবিয়াগা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখিবদগী য়ুএসএনা পোইন্ট ৫ ফংখি অদুগা সাউদি অরাবিয়ানা পোইন্ট ৪ ফংলগা টিম অনীমক নোক আওট ষ্টেজ য়ৌখি।

## সিএ ভভানি দেবীনা ইন্দিয়াগী অহানবা ফেন্সিং ইন্টরনেসনেলদা গোল্ড মেডল ফংখ্রে



*রেকভিক, মে ২৮ঃ*

আইসলেন্দগী সিটি রেকভিক্তা পাঙথোকপা টোর্নোই সেটলাইট ইন্টরনেসনেল ফেন্সিং টুর্নামেন্টতা নুপীগী সেভর ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংদুনা ইন্দিয়াগী সিএ ভভানিনা লৈবাক অসিগী ওইনা অহানবা নুপী ফেন্সর অমনা ইন্টরনেসনেল গোল্ড ফংবা ঙম্বা ফেন্সর ওইরে।

ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপীগী সেভর ইভেন্টকী ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সিএ ভভানি দেবীনা গ্রেট বৃটেনগী সারা জেন হেম্পসনবু পোইন্ট ১৫–১৩ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফেন্সিং পুৱারীদা অনৌবা লমায় অমা হাংদোকপা ঙমখ্রবী সিএ ভভানি দেবীনা ফোঙদোকখিবদা আইসলেন্দগী রেকভিক্তা পাঙথোকপা টোর্নোই সেটলাইট ফেন্সিং টুর্নামেন্ট অসি মমাঙদা অনীরক শরুক য়াবদা ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌবনি।

হন্দক গোল্ড মেডল ফংদুনা মহাক্না নীংজখিবা অমদি হোৎনখিবা অদুগী মহৈ য়াল্লে হায়না চেম্পিয়ন ওইরবী ভভানিনা ফোঙদোরকখি।

## অর্সনেল, বার্সেলোনা, পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ মখোয়–মখোয়গী লৈবাকশিংগী ফুটবোল টাইটল ফংবা ঙমখ্রে



*ইংলেন্দগী এফএ কপকী টাইটল লৌখ্রবা অর্সনেলগী শান্নরোইশিংনা ট্রোফিগা লোয়ননা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*লন্দন, মে ২৮ঃ*

ফুটবোল শান্নবা তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট লোয়রবা মতুং লৈবাক অদুমক্কী থংননা থম্বা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী টাইটল ইংলেন্দকী এফএ কপকী ওইনা অর্সনেলনা লৌখ্রে, স্পেনগী কোপা দেল রেগী ওইনা বার্সেলোনানা ফংখ্রে, ফ্রান্সকী ফ্রেঞ্চ কপকী টাইটল পেরিস সেন্ট জর্মেননা লৌখ্রে অদুগা জর্মনিগী ওইনা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা জর্মন কপ টাইটল ফংবা ঙমখ্রে।

ইংলেন্দগী এফএ কপকী ফাইনেলদা অর্সনেলনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী হন্দক্তা লোইশিনখিবা প্রেমিয়র লীগকী চেম্পিয়ন চেলসিবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা এফএ কপকী টাইটল ফংখিবনি।

পনবা য়াই এফএ কপকী সেমি ফাইনেলদা অর্সনেলনা মেঞ্চেস্টর সিটিবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা চেলসি ফুটবোল ক্লবনা টোটেনহাম হোটস্পরবু পাঞ্জল ৪–২ দা থোইরম্বনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা এফএ কপকী ফাইনেল অদুদা অর্সনেলনা চেলসিবু হৌরকপদা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৪ শুবা মিনটতা অর্সনেলগী এলেক্সিস সঞ্চেজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ অদু অর্সনেলনা চেলসিবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা পুংখায় অমরোম হৌজিল্লকপদা ঙাইরিঙৈ চেলসিগী দিএগো কোস্টানা ৭৬ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

মিনট অহুম লৈরগা অর্সনেলগী অরোন রামসেনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ২–১ দা মায় পাক্কুনা এফএ কপ টাইটল লৌখি।

স্পেনগী লা লীগাগী মতুংদা পাঙথোকপা কোপা দেল রে ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা লা লীগাগী অনীশুবা পোজিসন তাহৌরবা বার্সেলোনানা অলাভেসপু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

পনবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা এটলেটিকো মাদ্রিদপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা অলাভেসনা সেল্টা ভিগোবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরমখি।

ঙরাং অথেংবগী কোপা দেল রে ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা অলাভেসনা অকনবা প্রেসর পীরবসু লিওনেল মেসিনা বার্সেলোনাগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা চনখি। ইকান কান্নদনা মিনট অহুমগী মতুংদা অলাভেসকী মায়কৈদগী থিও হর্নাদেজনা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা বার্সেলোনাগী নেমরনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অহানবা হাল্ফ অদুগী ইনজুরি টাইমদা বার্সেলোনাগী অতোপ্পা শান্নরোই ফ্রান্সিকো অলকাসেরনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফতা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদবদগী বার্সেলোনানা অলাভেসপু ৩–১ দা থোইদুনা কোপা দেল রেগী টাইটল অদু লৌখিবনি।

ফ্রান্সকী চেম্পিয়ন ক্লব ওইরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেননা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফ্রেঞ্চ কপকী ফাইনেলদা এঙ্গর্সপু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি। মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবাপাঞ্জল অদু শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা এঙ্গর্সকী ইসা সিসোখোনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা পেরিস সেন্ট জর্মেন মায় পাকখিবনি।

জর্মনিগী বুন্দেস লীগা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লোয়খ্রবা মতুংদা পাঙথোকপা জর্মন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা বর্লিনদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা ইনত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টপু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল দোর্টমুন্দগী ওসমানেনা ৮ শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা ফ্রেঙ্কফর্টকী মায়কৈদগী এন্টে রেভিকনা ২৯ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। মেটচকী ৬৯ শুবা মিনটতা দোর্টমুন্দগী মায়কৈদগী ফংখিবা পেনাল্টি অমা দোর্টমুন্দগী পিয়েরে ইমরেকনা চন্দুনা ২–১ দা থোইখি।



*কোপা দেল রে ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রবা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা ট্রোফিগা লোয়ননা হরাওবা ফোঙদোকপা*

## চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী ৱার্ম অপ মেটচতা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু দিএল মেথদতা রন ৪৫ দা থোইখ্রে

*লন্দন, মে ২৮ঃ*

ইংলেন্দ অমসুং ৱেল্সনা পুন্না য়ুম্বু ওইরগা জুন থাদগী পাঙথোক্কদবা আইসিসি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লন্দনগী কেনিংটন ওভেলদা শান্নখিবা ৱার্ম অপ মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু দিএল মেথদতা রন ৪৫ দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর লুক রোঞ্চিনা রন ৬৬ লৌরমখিবা অমদি জেমস নিসমনা আওট ওইদনা রন ৪৬ লৌরগা রন ১৮৯ দা লোইশিনখি।

মায় পাক্লবা রন ১৯০ লৌনবা হোৎনরকপদা কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা ৫২ অমসুং এমএস ধোনিনা রন ১৭ লৌদুনা পুন্না রন ১২৯ লৌদুনা লৈরিঙৈ নোংনা মরম ওইদুনা মখা তানা শান্নবা য়াখিদবদগী দিএল মেথদতা তাঙ্কক অদু ফাওবগী চাংদম্লবদা ইন্দিয়ানা রন ৪৫ হেন্দুনা মায় পাকপা ঙমখি।